HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও



জে এন এম দান্স একাদেমিদা পাঙথোকপা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মীফমদা শক্লাইরবী মতম ঈশৈগী শৈশকপী নান্দেবম সুসিলাদা অৰাংবা থাক্কী ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

শৈশকপী সনধাম মাইচোনগী *কেক্রু লোৎপী* ঈশৈ ফোঙখ্রে
☛ লামায় ২

মীৎকী হীদাক হাপ্পীংলকপা
☛ লামায় ৪

কংলৈপাক ন্যুজ হ্বাটসএপ গ্রুপনা তেংবাং পীখ্রে
☛ লামায় ৫

এদ্যুকেসন এঞ্জিনিয়রিং ৰিংগী মতিক চাদবা চীফ এঞ্জিনিয়র ...
☛ লামায় ৬

কোসেম অমসুং এম য়ুনা লৌবা এগজামিনেসনশিংদা থোইদোক হেন্দোক্না মায় পাক্লৰবা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী মহৈরোয়শিংবু গোভর্নিংবোদিগী চেয়রমেন ডা. নিমাইচান্দ লুৰাংনা পুক্নিং থৌগৎপা




Vol. 46, Issue No. 090 | থাংজ, ইঙাগী ২৭নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, June 25, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## দেপ্যুটি কম্মিস্নর ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইভিক্সন ওর্দর হায় কোর্টতা শীংনরক্লে

# লোগী পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোক্ত্রবদি মীওই ৫বু ইভিক্সন তৌদনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে




### পিটিস্নর ৫না কম্মিস্নর (রেভন্যু) দা হায় ঃ ইভিক্সন ওর্দর থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা দি সীনা শো কোজ নোটিস পীখিবা লৈতে, লোগী মতুংইন্না অতোপ্পা পাম্বে নৎত্রগা কম্পেন্সেসন পীদ্রবদি মখোয়বু ইভিক্সন তৌবগী রাইট লৈতে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ কিরনকুমারনা থা অসিগী ১৪দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নেসনল হায়ৱে/ষ্টেট হায়ৱে/ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট রোদ য়াওনা অতোপ্পা লম্বীশিংনচিংবা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা তুরেল মপানশিংদা লৈবা ষ্ট্রকচর পূম্নমক থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্কদবনি হায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা নন-এগ্রিকলচরেল এক্টিভিটিশিংগীদমক ওন্থোকখ্রবা এগ্রিকলচরেল লেন্দ পূম্নমকপুসু হায়রিবা থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা হান্নগী এগ্রিকলচরেল লেন্দগী ফীভমদা হঞ্জিনহনগদবনি হায়দুনা খঙহনখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা মীওই ৪না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ওর্দর অসিমক চেলেঞ্জ তৌরকপদগী কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওর্দর অসিবু শীংনরক্লিবা মীওই ৫বু মথৌ তাবা লোগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্ত্রবদি ইভিক্সন তৌরোইদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অসিবু শীংনরক্লিবা পিটিস্নরশিং অদুনা নামৈরাকপম থোইবা অমসুং মহাক্কা লোয়নবা মীওই ৪নি। মখোয় ৫গী অপুনবা পিটিসন অদু কম্মিস্নর (রেভন্যু), ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দস, মণিপুরগী দিরেক্টরবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

অপুনবা পিটিস্নর ৫গী সিভিল রিট পিটিসন অদুগী নম্বরনা ৪৫৮ ওফ ২০২২নি। মেট্টর অসি হৌজিক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সম্মর ভেকেসনগী ছুটি লৈরবসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা অকক্নবা নুমিৎকী পুংফম পীরদুনা থোরকখিবা ওর্দর অসিনা মরম ওইরদুনা মেট্টর অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নবীনবা পিটিস্নর ৫গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা চীফ জষ্টিসতা হায়জবদা অয়াবা পীরকপদগী ঙরাংমক জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী স্পেসল বেঞ্চ অমনা লৌখৎতুনা খন্নখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর ৫গী মায়কৈদা কাউন্সেল এল শ্যামনা লেপখি। অদুগা লৈঙাক্কী ওফিসল রেসপোন্দেন্ট ৩গী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট আর কে উমাকান্তনা লেপখি।

পার্টি অনীমক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ঙমখৈদা য়েৎনবগী মফম য়াম্লি, লৈখাই তাদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি ঃ কোংগ্রেস



ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর অমদি ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈদা য়ুংবা বোর্দর পিল্লর ৮১ অমদি ৮২ খক য়েৎনবা নত্তে, য়েৎনরিবা মফমসি য়াম্মী। ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী কিলোমিটর ৩৯৫ রোম শাংবগী মনুংদা হৌজিক য়েৎনরিবা মফম অসি কিলোমিটর ৩৫ রোম্নি। অশেংবা ঙমখৈ চপ-চানা লৈখাই তাদ্রিবা ফাওবদি খোঙজং চথখিগনি হায়না এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর গোশ্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, বোর্দর পিল্লরগী ৱাথোক অসি অনৌবা নত্তে, মসি মমাংদগী লৈরকপা ৱাথোক্নি। করিসু তৌদনা লৈরকপদগী খরা তৌরকপা অসিবুদি থাগৎনিংঙাইনি। হৌজিক খারিবা ফেন্সিং অসিদি মীয়াম্না পাম্বা বোর্দর ফেন্সিং অদুদি ওইদে। বোর্দর পিল্লর ৮১ দগী ৮২ ফাওবদি শুপ্নতগী কিলোমিটর খরখক্তনি। য়েৎনরিবা মফম অসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙই।

মহাক্না মখা তানা হায়, মোলচাম খুন্দগীনা তুবাই খুল ফাওবদা বোর্দর পিল্লর ৫৮ দগী ৬৪ ফাওবা লৈ। হোলেনফাই এরিয়াদনা বোদর পিল্লর ৭৫ দগী ৭৯ ফাওবা, ক্বাথাগী মফমশিংদনা বোর্দর পিল্লর ৮০ দগী ৮৩ ফাওবা অমদি চোরো খুন্নৌদগীনা বোর্দর পিল্লর ৮৮ দগী ৯৫ ফাওবা ওই।

কুমজা ১৯৫৭ কী মার্চ ১০ দগী য়াঙ্গুনদা তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুদগী য়েৎনবা অসি লাকখিবনি হায়রি। বোর্দর পিল্লর মাঙলে হায়রিবসি য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জননা মমাংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬






থিয়াম কোঞ্জিল মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা ইন্টরেক্সন

## লম্বী-থোং, মৈ, এদ্যুকেসন ১সুং হেল্থকী মতাংদা গভর্ণরদা ৱাকৎখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) : ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈরাও বিত্র সব দিভিজনগী মখাদা থিয়াম কোঞ্জিল মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জিলা পরিষদ মেম্বরশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, প্রধান/সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগী ওইবা অপুনবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মসিদা শরুক য়ারখিবা গভর্ণর লা গনেসনদা মীয়ামগী মায়কৈদগী লম্বী-থোংগী ফৎত্রিবা ফীভম য়াওনা মৈ, অনা-লায়েং অমসুং এদ্যুকেসননচিংবা সেক্টরশিংগী মতাংদা ৱাকৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসননা শীনবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসিদা মীয়ামগী মায়কৈদগী থল্লকপা ৱাফমশিং গভর্ণরনা পুক্নিং চঙনা তাখিবগা লোয়ননা হীরমশিং অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা মীয়ামগীদমক য়েংলদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎহন্নবা চীফ মিনিষ্টরদা হায়রগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা গভর্ণরনা লৈবাক অসিদগী ট্যুবরক্যুলোসিস (টি বি) বু লাক্লিবা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মরূ ফংনা মূখৎনবগী থল্লিবা পান্দম অসি মায় পাকহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী য়ুমথোঙ খুদিংদা চঙদুনা টি বি পেসেন্টশিং লৈব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা সর্ভে তৌগদবনি অমসুং করিগুম্বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### প্রসিদেন্সিএল পোল

## দ্রৌপদি মুরমুগী মীরেপ চে পীশিনখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ২৪ (এজেন্সী): মথং থাগী ১৮দা পাঙথোক্লগদবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্সিএল পোলদা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা এন দি এ লৈঙাক্কী মীরেপ ওইনবগীদমক হান্নগী ঝরখণ্ডগী গভর্ণর ওইরমখিবী দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখিবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংগী চীফ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q : DC singna evictiongi order thoktringeida show cause notice hanna pigadabani hairibasi achumba wafam oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi yelhoumee sing khangdoknabagidamak base year 1961 oinaba warep loukhibasi meeyamna yaningadra?

Yes 27% No 73%

### অস! লোইরেহে!

- করিনো ঙমখৈ মাঙই হায়রিসে।



- মাঙবা লৈতে বাজি, মীনা লৌখিবনি।

### এম এল এ ১গী মতমদা হাপ্লম্বা স্কুলগী ষ্টাফ, ওজাশিং এম এল এ ১গী মতমদা লৌথোকপবু হায় কোর্টনা মৰা লৌখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১২দা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা এম এল এ ওইরম্বা মীওই অমগী মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চীংখৈ চীংগী রেসিদেন্সিএল স্কুলগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীদুনা লৌরম্বা টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিংবু কুমজা ২০২১দা এ সী অসিগী এম এল এ অতোপ্পা মীওই অমনা ওইরক্লবা মতমদা লৌথোকপগী ওর্দর মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থোরকপগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চেলেঞ্জ তৌরকপদগী কোর্টনা টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিং অদুবু লৌথোকপগী ওর্দর অদু ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনখিদ্রে।

মণিপুরগী এদ্যুকেসন সেক্টরগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী শীংথানীংঙাই ওইবরা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি থা অসিগী ৮দা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লাউথোক্তুনা খঙহনখিবনি।

মখোয় মশা মশাবু চীংখৈ চীংগী রেসিদেন্সিএল স্কুলগী টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিং ওইনা থবক তৌরকপদগী মরম চাদনা লৌথোকপীরে হায়দুনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নরশিংনা মোইরাংকম্পু শাজেপ্তুগী থৌনাওজম প্রিয়োরঞ্জন (৩৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ য়াইস্কুল, খুরাই সাজোর লৈকায়দগী য়াইথেংবম গঙ্গা চনু (৪১) অপোকপা ৱাই খম্বা, ফক্নুংদগী খুন্দোংবম নবা (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ কোরা, খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়দগী অশাংবম অমুস্না চনু (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ তোম্বী মীতৈ, খুরাই সাজোর লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম প্রেমচন্দ্র মৈতৈ (৩৯) অপোকপা কে এস ঐচ ইতো, থাওদেম কিরনবালা (৩৯) অপোকপা টি ঐচ শ্যামা অমসুং ফক্নুংদগী লৌরেম্বম রাসানন্দ (৪১) অপোকপা এল খোমৈনি।

পিটিস্নর ৭না ফাইল তৌরক্লিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১৭৮ ওফ ২০২১ অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি, এদ্যুকেসন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## বিষ্ণুপুর কম্মান্দোনা য়ু জিনি হায়বা মীওই ২ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ুক পুং ১০ লোম তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী অপুনবা মীৎয়েং মখাদা এদিসনেল এস পি (ওপস) রোনি ময়েংবমগী সুপরভিজন মখাদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী কম্মান্দোগী ও সী ৱাই শক্তিশেননা কম্মন্দ তৌবা টিম অমনা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমগী এক্টিভ মেম্বরনি হায়বা মীওই অনী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুগী মমিং খোংমনদগী বিজয় ককচীংতাবম (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে অচৌবা অমসুং শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদগী লৈমপোকপম সঞ্জিৎকুমার (৪১) অপোকপা এল গোদাধোর কৌই হায়রি। মখোয় অনী বিষ্ণুপুর কৈথেলগী ঙাইখোং ক্রোসিং মনাক্তগী ফাবনি হায়রি।

মখোয় অনীনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না বিষ্ণুপুর এরিয়াদগী অনৌবা কাদরশিং রিক্রুট তৌরগা মখোয়বু ম্যান্মারদা থারক্নবগীদমক ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## এগ্রিকলচর দিরেক্টর গোজেন্দ্রোগী থোঙ্গালদা বোম পোকখায়হল্লক্নে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুমিদাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগী দিরেক্টর নিংথৌজম গোজেন্দ্রোগী য়ুমগী থোঙ্গাল ময়াদা শকখঙদবশিংনা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) অমা প্লান তৌদুনা পোকখায়হল্লক্লে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৯.১৫ লোম তারকপদা থোকখিবনি। বোম পোকখায়বগী পাউ হেক তাবগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি য়াওনা পুলিসকী মকোক থোঙবশিং য়াওনা লাক্তুনা য়েংশিনখি। বোম পোকখায়রকপা অদুগী মচেৎশিংনা পান্দুনা গেট অদুগী শরুক খরা অকায়-অতোয় থোকখি। অদুবু মীদি অমত্তা অশোক-অপন য়াওখিদে হায়রি। থৌদোক থোকফম অমসুং অকোয়বদা পুলিসনা থি-হুন্বা চথখি অদুবু মীফা মীপুনগী পাউদি লৈখিদে।

## লিলোং কৈথেলদা দ্রগকী মায়োক্তা মৈরা রেল্লি চৎকনি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কংলৈ পিপলস এগেনষ্ট নার্কোটিক্স (কংলৈ পানা) না ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৫গী নুমিদাংৱাইরমদগী লিলোং কৈথেলদা মৈরাগী রেল্লি চৎকনি হায়না লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট খুল্লাকপম লিয়াকটনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নরদুনা মহাক্না হায়, থা অসিগী ২৬তা মহৌশাগুম পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল দে অগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিং নুমিৎকী থৌরমগী মাঙওইননা মীয়ামদা পাউজেল পীবা ওইনা মৈরাগী রেল্লি অসি হৌদোক্কদবনি।

থৌরম অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং মরূ ফংনা মূখৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপনি। থৌরম অসিমক কংলৈ পানাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মসা লোয়শঙশিংদসু পাঙথোক্লনবা শেম শারে ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## সাহিত্য একাদেমি ট্রান্সলেসন মনা-২০২১গীদমক খনগৎপদা মণিপুরদগী এম এম অহম্মদ য়াওরে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা ওটোনোমস ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা সাহিত্য একাদেমিনা চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপা সাহিত্য একাদেমি ট্রান্সলেসন প্রাইজ -২০২১গীদমক পীননবা খনগৎপদা মণিপুরদগী এম এম অহম্মদ য়াওরক্লে। মহাক্না মিরজা মোহম্মদ হাদি রুসৱানা উর্দু লোলদা ইবা নোবেল 'উমরাও জান অদা' বু মণিপুরীদা হন্দোকখিবনি।

সাহিত্য একাদেমিগী ট্রান্সলেসন প্রাইজ, ২০২১ পীনবগীদমক ঙসি ন্যু দেল্লীদা একাদেমি অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. চন্দ্রসেখর কম্বরনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোল ২২দা ট্রান্সলেসন তৌখিবা মীওই ২২ খনগৎখিবনি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## শক্লাইরবশিংবু মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ইকায়খুম্নখ্রে, শেলগী মনাশিং লান্থোকখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : ঙরাংদগী হৌরদুনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা চথরকখিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ৮৮শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মনুং চন্না পরিষদকী ৪৭ লকশুবা মীফমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা লম্দা শক্লাইরবা মীওইশিংদা অৰাংবা থাক্কী ইকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা শেলগী মনাশিং লান্থোকখ্রে।

পরিষদকী মায়কৈদগী অৰাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা মীওইশিংনা ৱাংখৈ থম্বালখোংদগী অরিবম কুমার (সাহিত্য ভূষণ), ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়দগী থাংজম ইবোপিশক (কাব্য ভূষণ), মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরক্তগী নান্দেবম সুসিলা (মতম ঈশৈ), ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রবসু দিসচার্জ তৌবা য়াওদবদগী এক্টিভ কেস ৭ লৈরি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৯দা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস অমত্তা থেংনখিদ্রবসু মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২০ অমসুং ২১দা পোজিটিভ কেস ১/১ থেংনরবা মতুং হুমনি চল্লকপদা পোজিটিভ কেস ৩ থেংনখিবগা লোয়ননা ঙরাংসু পোজিটিভ কেস ১ থেংনখিবদগী এক্টিভ কেসকী মশীং ৭ লৈরকখিবা অদু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদ্রবসু হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকপা পোজিটিভ কেসশিংগী মরক্তগী নাবা ফগৎলক্তুনা মীওই অমত্তা দিসচার্জ তৌখিদ্রিবনা হৌজিক অপুনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ৭ লৈরি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপুনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ডা. নরগী কোককী ওপরেসন মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) : কোককী শরুক্তা ঈ অশিবা খরা লৈরে হায়বদগী লৌথোক্লবগীদমক থা অসিগী ২১দা ইম্ফালগী দিক্কু রোদতা লৈবা লিট্টল ক্লিনিকতা এদমিট তৌখিবা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং ভেটেরান কম্যুনিষ্ট লুচিংবা ডা. মোইরাংথেম নরগী কোক্কী ওপরেসন ঙসি ক্লিনিক অসিদা মায় পাক্না পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নুমিৎ খরনিদি মহাক ক্লিনিক অসিদা ওবজার্ভেসনগীদমক থমখিগনি হায়রি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মতম খরগী মমাঙদা মহাক তুম্লিঙৈদা ফমুংদগী তারকপা থৌদোক অমদা কোক্তা শোকখিবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা মশা নুংঙাইরক্তবদগী ডাক্তরদা য়েংলুবদা ব্রেনদা 'ব্লদ ক্লোট্টিং' মচা অমা লৈরে হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি। মরম অসিদগী ক্লিনিক অসিদা এদমিট তৌখিবনি। অদুবু ঙসি লায়েংশঙ অসিদা মায় পাক্না 'বর হোল্ড সর্জরি' পাঙথোক্তুনা মহাক্কী কোক্কী শরুক্তা লৈরম্বা ব্লদ ক্লোট্টিং অদু লৌথোকখ্রে হায়রি।